# ওরিষা এফ সিনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিগা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট টেবলগী মমৈদা অদুম্মক লৈরি

12th Feb, Friday (91th Match)
SC East Bengal
vs
Hyderabad FC
Time : 7:30 PM



ওরিষা এফ সিগী জেরি (ময়াই)না কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোয়শিং লাম্ভোক্তুনা বোল কাওখিবা

ফটোর্দা, ফেব্রুৱারী ১১(এজেন্সী):
ওরিষা এফ সিনা ঙসি ফটোর্দা সিটিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টদিয়মদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিগা শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৯০শুবা মেটচতা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট টেবলগা ওরিষা এফ সি হান্নগুম্না মমৈদা অদুম্মক লৈরি।

মেটচ ১৫ শান্নখিবদা ওরিষা এফসি মেটচ অমখক মায়পাক্লগা ৬ দ্রো চৎলবা মতুং অতোপ্পা মেটচ ৮ মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা টিম ১১গী টুর্নামেন্ট অসিদা মমৈদা লৈখিবনি। অমরোমদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসি মেটচ ১৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ১০শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরক্তুনা মিনট ৪০ হেঞ্জিল্লকবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নখিদে। অদুবু ৪৫শুবা মিনটতা ওরিষা এফ সিগী মায়কৈদগী জেরিনা পীরকপা বোল অমদা গিএগো মোরিসিওনা একাউন্ট হাংদুনা কেরলাবু মাঙজিল থাখি।

ইক্কেলাইজর অদু শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা জোর্দান মরেনা টিমমেট সন্দিপনা পীরকপা বোল অমদা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা গেরি হুপরনা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা ২-১দা লৈখি। অদুবু ৭৪শুবা মিনটতা ওরিষাগী দিএগোনা হন্দোক্লগা ২-২দা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 16 | 10 | 4 | 2 | 25 | 11 | 14 | 34 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 16 | 10 | 3 | 3 | 22 | 10 | 12 | 33 |
| 3 | FC Goa | 16 | 5 | 8 | 3 | 24 | 19 | 5 | 23 |
| 4 | Hyderabad FC | 16 | 5 | 8 | 3 | 20 | 16 | 4 | 23 |
| 5 | Northeast United FC | 16 | 5 | 8 | 3 | 21 | 20 | 1 | 23 |
| 6 | Jamshedpur | 17 | 5 | 6 | 6 | 16 | 19 | -3 | 21 |
| 7 | Bengaluru FC | 17 | 4 | 7 | 6 | 19 | 21 | -2 | 19 |
| 8 | Chennaiyin FC | 17 | 3 | 8 | 6 | 11 | 17 | -6 | 17 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 17 | 3 | 7 | 7 | 22 | 29 | -7 | 16 |
| 10 | East Bengal Club | 16 | 3 | 7 | 6 | 14 | 21 | -7 | 16 |
| 11 | Odisha FC | 16 | 1 | 6 | 9 | 16 | 27 | -11 | 9 |

১৩শুবা সাহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়ল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এস এস য়ু শিংজমৈ, ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুল অমসুং ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ মখোয়-মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস):
১৪৩ বটালিয়ন সি আর পি এফ লম্ফেলপাটনা শীন্দুনা ইম্ফালদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ৬তগী চথুরকপা ১১শুবা সয়িদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়ল ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস এস য়ু শিংজমৈনা এন ই এস য়ু খুরাইবু, ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুলনা ৱাই য়ু সি ইরোমমৈজ্রাওবু অদুগা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈনা এফ সি লমজাও ককচিংবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

এস এস য়ু অমসুং এন ঈ এস য়ুগী লম্বা অদু অয়ুক্তা শান্নখি। মেটচ অদু এস এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী মিনট ২৮শুরকপদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ প্রেমজিৎনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ৪ এম কবিরাজনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ২-০দা হাফ অদু লোয়শিনখি। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম লম্বা মান্নবা হৌরকখি। অদুবু ৭৫ শুবা মিনটতা এন ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈদা এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১১ সুশিলকুমারনা পাঞ্জল চল্লগা মখোয়না মেটচ অদু ৩-০দা থোইখি।

ঙসি পুং ১২.১৫দা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুল অমসুং ৱাই য়ু সি ইরোমমৈজ্রাওগী মেটচ অদু অপীবা মতম লোয়শিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী পেনাল্টি কাওনখি। মদুদা ৱাই য়ু এফ সিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি অদুগা ৱাই য়ু সিগী মায়কৈদগীনা পাঞ্জল ৩খক চল্লগা মেটচ অদু ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুলনা ৪-৩দা ৱাই য়ু সি ইরোমমৈজ্রাওবু মায়থীবা পীখি।

নুংথিল শান্নখিবা মেটচতা ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী এফ সি লমজাওগী মায়কৈদা পাঞ্জল ৪ চনখি। অদুগা এফ সি লমজাওগী মায়কৈদগীনা পাঞ্জল ১খক চনখি। পুংখাই অমরোম পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী থুমসন টোংসুননা ৩৭শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। লোয়ননা ৪০শুবা মিনটতা টিম অদুগী সনাজাওবনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এফসি লমজাওগী য়াইফবনা ৪৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি। অদুবু ঈ এস য়ুগী টুংসন অমসুং রাজজাননা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা ৪-১দা থোইখি।



সহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিয়ল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১২শুবা মেটচতা ঈ এস য়ু অমসুং এফ সী লমজাও থেংনখিবা

# টর্কিদা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্ননবগীদমক ইন্দিয়াগী টিম খনবদা মণিপুরী শান্নরোয় নিপান য়াওখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস):
কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সী) ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা থা অসিগী ১৪দগীনা ২৪ফাওবা টর্কিগী কোনুং অলানয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নগদবা শান্নরোয় খনগৎপদা মণিপুরদগী পূন্না শান্নরোয় ৮ য়াওখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱাফম অদুবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেপ্টেন ওইরিবী দিফেন্দর লোইতোংবম অশালাতা (মহাক রেলৱেজকী মায়কৈদগী রেজিষ্টর তৌরকপনি), দিফেন্দরদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি সোরোখাইবম রঞ্জনা চনু, ৱাংখেম লিন্থোইঙম্বী, ক্রিতিনা থৌনাওজম অমসুং ঙাংবম স্বীতিনি। ষ্ট্রাইকরদা হৈগ্রুজম দায়া অমদি দাংমৈ গ্রেসনি। অদুগা গোলকিপরদা মাইবম লিন্থোইঙম্বীনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিগী হেদ কোচ মেমোল রোকিনা ওইগনি। অদুগা মণিপুর মচা এল চাওবনা টিম অসিগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা থৌ পুগনি। অতোপ্পা ওফিসলশিং অদুদি গোলকিপ্পিং কোচতা রাজদ গুহা, টিম মেনেজরদা হিলদা গুরুং, ভিদিও এনালিষ্টতা অস্বিন অমসুং ফিজিওদা প্রিয়াঙ্কানি।

# প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং শান্নবা হৌরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস):
অহানবা ষ্টেট লেভেল (লেট) ইমা সারা বিবি মেমোরিয়ল স্পোর্টস কম ৭ এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১-২২গী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং হয়েং নুংথিলদগী হৌরগনি।

অহানবা মেটচতা এস আই এস সী অমসুং কম্মান্দো এফ সী থেংনগনি। নুংথিলগী অনীশুবা মেটচতা সঞ্জেনবম এফ সী অমসুং ৱাই এস এম সী তাংখম লম্বা তৌনগনি। লোয়ননা ৩শুবা মেটচতা শাহ ৱারিয়র অমদি এস ৱাই দি এ শান্নগনি।

থাংজ নুমীৎতা হাদিপ এফ সী অমসুং সালা এফ সী থেংনগনি। মখা তারকপদা রিয়াল বর্কা অমদি চুংকি এফ সী শান্নগনি। মথংদা পি য়ু এফ সী অমসুং অবোই এফ সী শান্নগনি। আই এস য়ু অমদি লাবেনদালা এফ সী লম্বা তৌনরগা। অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুনা ষ্টার ভেটরান অমদি লম্বোইবা এফ সী শান্নগনি।

# মণিপুরদগী সুশিলা অমসুং ইন্দুবালা খল্লক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস):
ন্যু দেল্লীদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অমসুং নহান পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী জুদো টিম শেম্বগী ট্রায়লদা নুপীগী কেজি ৪৮গীদা এল সুশিলা অমসুং কেজি ৭৮গীদা এম ইন্দুবালা খল্লক্লে।

মণিপুরদগী পূন্না নুপা জুদোকা অমগা লোয়ননা নুপী জুদোকা ৬না ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াখিবনি। অতোপ্পা জুদোকাশিং লৈহৌরগা সুশিলা অমসুং ইন্দুবালা খল্লকপনি। মখোয়না টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমা ওইরিবা এসিয়ন জুদো চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদৌরিবনি।



এল সুশিলা (ওই), কোচ এল দিনিত অমসুং এম ইন্দুবালা

ট্রায়ল অদুদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা জুদোকাশিং অদুদি এল জগদিশ মীতৈ, এম মতৌলৈবী, টি ইনুংঙানবী, সী ঐচ রেবিনা অমসুং এল সনাথোইনি। পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৮দগী ২০ ফাওবা ইজরেলগী টেল অবিভতা পাঙথোক্কদবা গ্রান্দস্লাম জুদো টুর্নামেন্টশরুকয়ানবা ইন্দিয়াগী জুদোকা মঙাগী মনুংদা এল সুশিলা দেবীসু য়াওরকখি।

# মণিপুর বোদি বিল্ডরশিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস):
জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া, ফেদরেসন কপ অমসুং সিনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়াদা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং খনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি।

পঞ্জাবতা চহী অসিগী মার্চ ২০ অমসুং ২১দা পাঙথোক্কদবা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ২০২১দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৮দা উখ্রুলগী সেন্ট্রেল স্কুলদা পাঙথোক্লগনি।

বোদি বিল্ডরশিংনা নুমীৎ অদুগী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর এসোসিএসনগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌগদবনি।

চহী অসিগী এপ্রিল ৩ অমসুং ৪দা উত্তর প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেদরেসন কপ ২০২১দা মণিপুরগী মহুৎ শিনগদবা বোদি বিল্ডর খনবগী ট্রায়ল অদুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা মার্চ ৭কী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা এপ্রিল ২৩দগীনা ২৫ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা সিনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়াগীদমক মার্চ ২৮গী অয়ূক পুং ৯ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ৬০০ বি এম আর পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস):
ইম্ফাল রেন্দোনুর্স্যনা শীন্দুনা কিলোমিটর ৬০০ শাংবা ৬০০ বি এম আর হায়না মিংথোনবা অল্ট্রা সাইক্লিং ইভেন্ট হয়েং অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা ইম্ফালগী কোনুং লম্পাক্তগী লমথারগনি। মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিএসনগী মশা অমা ওইরিবা ইম্ফাল রেন্দোনুর্স্যনা শিল্লিবা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াননবা সাইক্লিষ্ট ১০না মিং পীখৎলকখি। পুং ৪০গী মনুংদা কিলোমিটর ৬০০ চৎলুরগা হল্লকপগী থৌরম অদুনা ইম্ফালগী থাংমৈবন্দদা লৈবা মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিএসনগী ওফিসতা পাঙথোক্কদৌরি। খনগৎলবা সাইক্লিষ্টশিংনা পেরিসতা পাঙথোক্কদবা কিলোমিটর ১২০০কী ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরি।

HL-B/6672/11/2-4/3 (alt)

ꯆꯠꯅꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛ / EMPLOYMENT NEWS

| Sl. | NAME OF THE POST | QUALIFICATION | EXPERIENCE | VACANCY | MONTHLY PAY | AGE |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | SECTION OFFICER (S.O) CIVIL | B.E/DIPLOMA | 3 to 5 Yrs. | 3 | Negotiable | 28-40 |
| 2. | ARCHITECT ENGINEER | B.Arch/M.Arch | 3 to 5 Yrs. | 3 | Negotiable | 28-40 |
| 3. | OFFICE ASSISTANT | GRADUATE | | 3 | Negotiable | 23-30 |
| 4. | ELECTRICIAN | DIPLOMA in Electrical | 3 to 5 Yrs. | 5 | Negotiable | 20-40 |
| 5. | Brick Mistry and JUGALI | | 5 to 10 Yrs. | 10+15 | Rs. 9,000 to Rs.25,000+T.A. | 25-45 |
| 6. | Iron Soldering Mistry | | 3 to 5 Yrs. | 3 | Rs. 12,000 to Rs.25,000+T.A. | 22-45 |
| 7. | Carpentry & TILES Mistry | | 5 to 10 Yrs. | 5+5 | Rs.12,000 to Rs.25,000+T.A. | 25-45 |
| 8. | ALUMINIUM MISTRY | | 3 to 5 Yrs. | 3 | Rs. 12,000 to Rs.25,000+T.A. | 25-45 |
| 9. | SECURITY/GUNMAN | | | 4 | Negotiable | 25-45 |
| 10. | Car Driver & Grade-IV | | | 2+2 | Negotiable | 20-30 |

Interested Candidate can submit their resume and all relevant documents along with 2 recent passport size photographs to the LG CONSTRUCTION and MATERIAL COMPANY Pvt. Ltd. KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST, MANIPUR.

Last Date of submission is 23rd Feb., 2021 Please Contact : 9774041523

# ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসননা মকোক ওইরি




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস):
হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা থাঙ-তা শঙলেন্দদা পাঙথোক্লিবা ৩১শুবা ষ্টেট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপকী ঙসি ৫নি শুবা নুমীৎ লোইশিল্লকপদা ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন মোইদাংপোকনা মকোক্তা লৈরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র গর্লসকী ফুনবা অমা অমসুং ফুনবা অনীগী ইভেন্টশিংদা পূন্না গোল্ড মেদল ২০গী লম্বা তৌনখি। ফুনবা অমগী গোল্ড ফংখ্রবশিং অদুদি ঐচ বিদ্যলক্স্মী (কেজি ২১), কে কোরৌঙানবী (কেজি ২৫), এল দাইনা (কেজি ২৯), নিলিমা নাওরেম (কেজি ৩৩), নন্দিতা থিয়াম (কেজি ৩৭), কে মেলোদি (কেজি ৪১), ও পিয়া (কেজি ৪৫), দল্লিয়ু কেথবী (কেজি ৪৯), ৱাহেংবম হেম্থোই (কেজি ৫৩) অমসুং ভেনস সোরোখাইম (কেজি ৫৩ মথক)নি।

ফুনবা অনীগীদা গোল্ড ফংখ্রবশিংনা ঐচ ইশ্বরয়া (কেজি ২১), য়াইফবী হৈগ্রুজম (কেজি ২৫), লাংঙম্বী হুইদ্রোম (কেজি ২৯), এল নিবাশিনী চনু (কেজি ৩৩), টি ঐচ লেম্বীসনা (কেজি ৩৭), বেমবেম মাইস্নাম (কেজি ৪১), এল দোলি (কেজি ৪৫), টি ঐচ মোনিকা (কেজি ৪৯), এস মালেমঙানবী চনু (কেজি ৫৩) অমসুং ঐচ মানবী চনু (কেজি ৫৩ মথক)নি।

ঙসি ফাওবদা ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন মোইদাংপোকনা গোল্ড ১৫, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংলগা মেদল টেলিগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা ২শুবদা লৈরি।

ꯂꯥꯟꯂꯩꯃ ꯚꯦꯟꯆꯔꯁ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯚꯦꯠ ꯂꯤꯃꯤꯇꯦꯗ

LANLEIMA VENTURES PVT.LTD.

+91-8431803610, +91-9362273890
lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com
Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB, Imphal East Dist., Manipur (795010)

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT
Vide letter no. LVPL/REC/001-2020, Dec. 29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in Lanleima Ventures Private Limited. A Pvt. Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA New Delhi under Companies Act. 2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos. | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | General Manager | 01 | MBA (Fin.) | 18,000/- - 36,000/- |
| 2. | Asst. Gen. Manager | 01 | MBA (Fin.) | 16,000/- - 32,000/- |
| 3. | Branch Manager | 02 | MBA (Fin.) | 14,000/- - 28,000/- |
| 4. | Asst. Br. Manager | 02 | BBA (Fin.) | 12,000/- - 22,000/- |
| 5. | Project Manager | 04 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 6. | Project Consultant | 06 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 7. | Office Secretary | 01 | Graduate | 10,000/- - 18,000/- |
| 8. | Computer Optr. | 08 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |
| 9. | BDO | 120 | 10+2 | 06,000/- - 10,800/- |
| 10. | Cashier | 02 | B.com | 07,500/- - 12,000/- |
| 11. | Loan Manager | 06 | Graduate | 08,000/- - 16,000/- |
| 12. | Loan Officer | 08 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 13. | CRM | 02 | BBA/MBA | 08,000/- - 16,000/- |
| 14. | CRO | 04 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 15. | Office Assistant | 02 | XII | 06,000/- - 10,800/- |
| 16. | Recovery Staff | 48 | 10+2 | 08,000/- - 12,500/- |
| 17. | Marketing Manager | 02 | MBA Marketing | 12,000/- - 28,000/- |
| 18. | Marketing Excutive | 12 | Graduate | 07,500/- - 16,800/- |
| 19. | Loan Inspectors | 05 | 10+2 | 06,500/- - 12,500/- |
| 20. | Accountant | 02 | B.com wt. tally | 07,000/- - 12,000/- |
| 21. | Finance Executive | 15 | X or XII | 06,500/- - 12,500/- |
| 22. | Co-ordinator (Livelihoods @ Farm) | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 23. | Cluster Co-Ordinator | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 24. | Cluster Dev. Officer | 20 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 25. | PRO | 08 | 10+2 or Graduate | 06,500/- - 12,500/- |
| 26. | Pro. Dev. Executive | 12 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |

Interested Candidates may collect the application form from the Head Office of the Lanleima Ventures Private Limited located at Khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is wednesday the 10th Febuary, 2021. For more details please contact us @ Mail ID : lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Lanleima Ventures Private Limited

HL-P/8725/29/1-12/2

DELTA ONE SECURITY SERVICE (OPC) PVT. LTD.

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT
Vide letter no. DELTA/REC/0010-2020.Dec.29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) PVT. LTD. A Pvt Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA, New Delhi under Companies Act.2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Chief Security Officer | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Col.(Retd.) | 25000/- -38000/- |
| 2. | Security Superintendent | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Maj. | 22000/–34000/- |
| 3. | Security Officers | 02 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 4. | Security Supervisors | 06 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 5. | Armed Security Guards | 160 | X or XII | 10000/--18500/- |
| 6. | Civilian Guards | 160 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 7 | Payroll Officer | 01 | M.com | 13000/- -20000/- |
| 8. | PSO | 12 | 10+2 or Graduate | 12000/- -22000/- |
| 9. | K 9 Squads | 08 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 10. | Front Office Exe. | 06 | Graduate | 8500/- -15400/- |
| 11. | Driver | 12 | X or XII with valid Licence | 8500/- -15400/- |

Interested Candidates may collect the application from the Head Office of the DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) Private Limited located at khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is Friday the 25th Febuary,2021. For more details please contact us @Mail ID : dhrmpvtltd@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Delta One Security Service(OPC) Pvt. Ltd

+91-8431803610, +91 9362273890
dhrmpvtltd@gmail.com
Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB,Imphal East Dist., Manipur (795010)

HL-P/8725/29/1-12/2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com